ষ্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল জে এন হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৯

# নুপামচাগী চহী ১৭ মখাগীদা নোংপোক ইম্ফাল শগোলতোংবা হায় স্কুলনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): দিরেক্টরেট ওফ য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১২দগী চথরকখিবা ষ্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল জে এন হোকি টুর্নামেন্টকী চহী ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচা লোয়নননা অন্দর -১৫ বোইজ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগীদা শগোলতোংবা হায় স্কুলনা জাই হিন্দবু পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী চহী ১৫গী অহানবা মেচতা ইম্ফাল শগোলতোংবা হায় স্কুলনা দি সাইনিং ষ্টার একাদেমিবু পাঞ্জল ৭-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা ডা. এস রধাকৃষ্ণ ফাউন্দেসন অমসুং ৱাবগাই হায় স্কুল লম্বা তৌনখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ডা. এস রাধাকৃষ্ণ ফাউন্দেসন ৱাবগাই হায় স্কুলবু পাঞ্জল ৯-২দা চাউনা মায়থীবা পীখি। ঙসি নুংথিল শান্নখিবা চহী ১৭কী নুপীমচাগী মেচতা নোংচুপ ইম্ফাল শগোলতোংবা হায় স্কুলনা দি সাইনিং ষ্টার একাদেমিবু পাঞ্জল ৯-০দা মায়থীবা পীখি।

চহী ১৭কী নুপামচাগী ফাইনেল মেচতা নোংপোক ইম্ফাল শগোলতোংবা হায় স্কুল অমসুং জাই হিন্দ মন্ত্রিপুখ্রি লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা নোংপোক ইম্ফাল শগোলতোংবা হায় স্কুলনা জাই হিন্দু মন্ত্রিপুখ্রিবু পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। নোংপোক ইম্ফাল শগোলতোংবা হায় স্কুলগী মায় পাকপগী স্কোরশিং অদু রোহিটনা মিনট ১৮শুবা অমদি ২৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী, এন অমরজিৎনা মেচকী ৫৩শুবা অমদি ৫৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী, কে ঐচ মাইখোলিননা মেচকী ৪৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা, এন সামসননা মেচকী ৫৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখিবনি।

এ দি সী চান্দেল ত্রোফি ২০১৯ সুপর দিভিজন ফুটবোল

# এন দব্লিয়ু ৱাই সীনা য়ু এল এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলনা শীন্দুনা এম য়ু জি ঐচ এস এস গ্রাউন্দদা চথরিবা এ দি সী চান্দেল ত্রোফি ২০১৯ সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এন দব্লিয়ু ৱাই সীনা য়ু এল এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম তরুক্না শরুক য়াদুনা লীগ বেসিসতা পাঙথোক্লিবা এ দি সী চান্দেল ত্রোফি ২০১৯ সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি য়ু এল এফ সী অমসুং এন দব্লিয়ু ৱাই সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা অহানবা পাঞ্জল চন্নবা তক্লদুনা শান্নরকখি। মেচকী ১১শুবা মিনটতা য়ু এল এফ সীগী শান্নরোয় বুংদাম জর্সি নম্বর ৯না একাউন্ট হাংদুনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাহনখি।

বুংদামনা চনখিবা পাঞ্জল অদুগী মিনট খরা কান্নরবা এন দব্লিয়ু ৱাই সীগী শান্নরোয় নিওল জর্সি নম্বর ৯না ইক্কেলাইজ তৌদুনা ১-১দা অমুক লৈহনখি। মখা তানা টিম অনীনা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা এন দব্লিয়ু ৱাই সী অমসুং য়ু এল এফ সীনা অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী তোঙান তোঙানবা টেক্নিক কয়া শীজিন্নদুনা শান্নরকখি। অদুবু এন দব্লিয়ু ৱাই সীনা খুদোংচাবা হেন্না ফংখিদুনা মেচকী ৫৮শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৭ বুংহোঙনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেচ অদু ২-১দা অমুক মাঙজিল থাহনখি।

য়ু এল এফ সীগী মায়কৈদগী এন দব্লিয়ু ৱাই সীনা হেল্লিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা এটেক চথরকখি। অদুবু এন দব্লিয়ু ৱাই সীগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা মখোয়গী এটেকশিং অদু কান্নবা ফংদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

# এ এফ সী (বি) অমসুং এন জি এল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরি প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোকপা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এ এফ সী (বি) অথোকপম অমসুং এন জি এল লৌরেম্বম মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ৯শুবা মেচ ওইনা ঙসি এ এফ সী (বি) অথোকপম অমসুং য়ু ও সী উয়াল শান্নখিবা মেচ অদু এ এফ সী (বি) না য়ু ও সীবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা গ্রাউন্দদা এন জি এল লৌরেম্বম অমসুং ঈ ঈ ও লমদিং লম্বা তৌনখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এন জি এল লৌরেম্বম্না ঈ ঈ ও লমদিংবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখি। লৌরেম্বমগী পাঞ্জলশিং অদু নিরজিৎ, সুরজিৎ অমসুং চীংলেনস্নানা চনখি।

# এফ সী লমজাওনা এস দব্লিয়ু সী কৈরক থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন, ককচীংনা শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ১৮শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এফ সী লমজাওনা এস দব্লিয়ু সী কৈরকপু পাঞ্জল ৪-১দা থোইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৮শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০২০গী ঙসি এফ সী লমজাও অমসুং এস দব্লিয়ু সী কৈরক শান্নখিবা মেচ অদু এফ সী লমজাওনা পাঞ্জল ৪-১দা মায় পাকখি। এফ সী লমজাওগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু প্রেমচান্দ জর্সি নম্বর ২৭না পাঞ্জল অমা অদুগা জয়কিষন জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল ৩ চনখি। অদুগা এস দব্লিয়ু সীগী পাঞ্জল অদুনা রিশিরাজনা চনখি।

# জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস)ঃ জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ১৩রক শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ নভেম্বর ৫দগী ইম্ফাল ৱেষ্টকী থাংমৈবন্দদা লৈবা থাও স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হৌরগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী টুর্নামেন্ট ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী প্রেসতা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইগদৌরিবা টিম অদুনা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাখ ২ অমদি ট্রোফি ফঙগদৌরি। লোয়নননা রন্নর্সঅপ তাবা টিম অদুনা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাখ ১গা লোয়নননা ট্রোফি ফঙগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম, বেষ্ট পেরেদ টিম, বেষ্ট প্লেয়র অমসুং হায়েষ্ট স্কোররশিংগীসু শেলগী মনা পীগদৌরি। টিমগী ওইনা লুপা ২০,০০০ অদুগা ইন্দিভিজ্যুল শান্নরোয়শিংনা ফংবা মনাশিংদা লুপা ৭,০০০/৭,০০০ পীগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা জেলিয়াংরোং খুনগী য়ুথ ক্লবশিংনা থা অসিগী ২৩দগী ওক্টোবর ২১ ফাওবগী মনুংদা লুপা ১০০০গী এন্ট্রি ফোর্ম পীশিনবা য়াগনি। অদুগা ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ অদুনা ওক্টোবরগী ২৬ ওইগনি। লোয়নননা চহী অসিগী টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিংনা রেজিষ্ট্রেসন ফি ওইনা লুপা ৫০০০ পীগদবনি হায়রি।

# মনা য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস)ঃ থা অসিগী ৮দা পাঙথোকখিবা অনীরক শুবা ককচিং ৱর্ল্ড ৱার টু মোমোরিএল রন ২০১৯দা মকোক মথং তাখ্রবশিংবু মনা মথুম পীবগী থৌরম ঙসি ককচিংগী লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

কিলোমিটর ২৫গী লমজেল অদুদা নুপীগী চহী ৪৫ মখা অমসুং চহী ৪৫ মথক্কী কাংলুপ অনী অদুগা নুপাগীদসু চহী ৪৫ মখা অমসুং চহী ৪৫ মথক্কী কাংলুপ্তা অথোই অহেন তান্নখি।

অহানবা পোজিসন তাবা শান্নরোয়দা লুপা ৫০,০০০, অনীশুবদনা লুপা ৩০,০০০ অদুগা অহুমশুবদনা লুপা ২০,০০০গী মনা পীখি। লোয়নননা চহী ৬০ মথক্তা লৈবা শান্নরোয় ৪দা লমজেল অদুবু শীখিবা ককচিং রন্নর্সকী মায়কৈদগী কোন্সোলেসন প্রাইজ পীখি হায়না লমজেল অদুগী রেসদিরেক্টর ওইখিবা নাওরেম রঞ্জিৎনা ফোঙদোরক্লি।

১৬শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ য়ু-১৩ ফুটবোল

# কে এস সী রানিভেঙনা পি এফ সী ফাইতোলবু মঙাশুবা ক্কার্টর ফাইনেল লিগতা পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে

জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল (জে ঐচ এস এস) গী প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ১৬শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ য়ু -১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ৫শুবা ক্কার্টর ফাইনেল লিগ রাউন্দদা কে এস সী রানিভেঙনা পি এফ সী ফাইটোলবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী টোস পি এফ সী ফাইটোলনা ঙমদুনা মায়কৈ খল্লবা মতুং কে এস সী রানিভেঙনা বোল কাউবা হৌখি। টিম অনীমক লম্বা মান্না শান্নরকপা মরম্না অহানবা হাফ অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকখি। মেচকী ৫৪ শুবা মিনটতা কে এফ সীগী জর্সি নম্বর ১৯ লালমিনলুননা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মখা তানা পাঞ্জল মাংজিল থারবা কে এস সীগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না লৈরকপদগী মেচকী মখা চথরকপদা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৬ জেসাইনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা পি এফ সীবু ২-০দা মাংজিল থাখি।

মেচকী ৬৮ শুবা মিনটতা পি এফ সী ফাইটোলগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৯ মাংপুইনা পাঞ্জল অমা চনখি। মখা তানা টিম অদুগী ইক্কেলাইজর চনবা ঙমখিদবদগী মেচ অদু কে এস সী রানিভেঙনা ২-১দা থোইখি।

# শান্নবগী মতম য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস)ঃ গ্লোবল ইন্টর্নেসনল মার্সেল আর্টস ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া মার্সেল আর্টস ফেদরেসন অমসুং ওল মণিপুর মার্সেল আর্টস কাউন্সিলনা খুৎশম্নদুনা শীংজমৈ চিংঙামথক্তা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট টেন্নিস কোর্টতা হৌখিবা ওগষ্ট ২৮দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া মার্সেল আর্টস চেম্পিয়নশিপ অদু ওক্টোবর ২৪দগী ২৬ ফাওবদা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া মার্সেল আর্টস ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০২

১) কুমজা ১৯৭০দা বোরপেটাদা পাঙথোকখিবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইখি। মদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় খরা পীরি। মসিগী মরক্তা শরুক য়াখিদবা অমগী মমিং পীয়ু। ইমোচা, বিধু, বসন্ত কবুই, লুঙ্গাইনি, কোঙাংবি।

২) হন্দক্তা বোলর অসি শীখি অমদি টেষ্ট অমদা ইনিংস অমদা ৱিকেট ১০ লৌবা ঙমখি। কুমজা ২০১৯গী জুলায়গী অরোইবা চয়োলদা লৈখিদবা মমিং চৎপা বোলর অতোপ্পা অদু কনানো? মহাক করিগীদমক মমিং চৎখিবনো? পাউখুম অনী পীয়ু?

৩) মহাক কুমজা ১৯২৮গী ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল ফংখি। চহী ২০গী মতুংদা থৌরম অদুমক্তদা মহাক্না ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল অমসু ফংখি। মহাক্না শরুক য়াবা থৌরম অদু ওলিম্পিক্কী লৌথোকখ্রে। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৪) নাগাওন্দা পাঙথোকখিবা ইন্দিপেন্দেন্স দে ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরগী টিম অমনা শরুক য়ারুই। মদুদা চীংমী মপাল (৯) অমসুং তম্পাক্তগী অনী (২) য়াওখি। তম্পাক্কী শান্নরোয় অনী অদু কনা কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবকফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।


RaDiant Group
Let Us Grow Together
Address: Corporate Office, Sega Road, Keishampat, Imphal-01

## Manpower Requirements

Date of Interview 18th September 2019

Interested Candidate may apply for the positions below with updated bio-data/Resume at the above given office from 10:00 am -4:00 pm or SMS / WhatsApp us at +91-9774132616 with <Name><Position> or call +91-7642842266

| UNIT | Position | Exp. | Post | Education | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| Corporate, Finance Section | Branch Manager, Sekmai Branch | 2-3 yrs. | 1 | Graduate and above with finance background | Upto 1.8 lacs per annum |
| Corporate, Finance Section | Relationship Officer | 0-2 yrs. | 7 | 10+2 and above | 5K to 8K |
| RaDiantE-Ride | Assistant General Manager | 3-5 yrs. | 1 | MBA preferably exp. in admin. and finance | Upto 2.4 lacs per annum |
| RaDiantE-Ride | Account Executive | 1-2 yrs. | 1 | B.Com./ M. Com. | Upto 1.8 lacs per annum |
| RaDiantE-Ride | Client Relationship Exe. | 1-2 yrs. | 1 | Gradnate and above | Negotiable |
| RD Grafix, Printing and Signage | Assistant General Manager | 3-5 yrs. | 1 | MBA or Degree from Printing Technology | Upto 2.4 lacs per annum |
| RD Grafix, Printing and Signage | Marketing Associate | 1-2yrs. | 1 | MBA, Marketing | Upto 1.2 lacs per annum |
| Grihan, Event Managemnet Company | Sr. Special Event Coordinator | 2-3 yrs. | 1 | Graduate and above preferably Event Management certified | Upto 2.4 lacs per annum |
| Grihan, Event Maangement Company | Sr. Décor Executive | 0-3 yrs. | 2 | Graduate and above preferably certified event decorator | 7K to 10K |
| RaDiantCreative Agency | Designer | 1-2 yrs. | 2 | Multimedia Certified | Negotiable |

Sd/- Human Resource Generalist, RaDiant Group

HL-B/5669/14,15,16,17





HL-B/5645/3-31oct.





HL-P/5672/15,16,17,19,20,21,22





HL-P/3999/14,15,16...





HL-B/5661/11sept-8Nov.(alt)



## EMPLOYMENT NEWS

| Sl. no | POST | QUALIFICATION | VAC | SALARY | AGE | BRANCH |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Mechanic/Painting Mistry(2/W,3/W& 4/W) | 3-7yrs Exp. | 3+2 | Rs.8,000 to Rs.22,000 p/m | 18-35 | H.Q |
| 2 | Security/GUNMAN | VIII Passed | 5 | Rs.6,500 to Rs.18,500 p/m | 18-25 | H.Q |
| 3. | Tyres Workshop Mistry | 3 to 5 yrs. Exp. | 8 | Rs. 6,500 to Rs.18,500 p/m | 20-35 | H.Q/Branches |
| 4. | Grade-IV | VIII Passed | 3 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 5. | Iron Soldering Mistry | 3 to 5 yrs. experience | 3 | Rs. 9,000 to Rs.22,000 p/m | 22-45 | H.Q/Branches |
| 6. | Brick Mistry | 5 to 10 yrs. experience | 3 | Rs. 9,000 to Rs.23,000 p/m | 25-45 | H.Q/Branches |
| 7. | Carpentry Mistry | 5 to 10 yrs. experience | 3 | Rs. 9,000 to Rs.23,000 p/m | 25-45 | H.Q/Branches |
| 8. | Driver (Car/Tata) Unmarried | 3 to 5 yrs. experience | 5 | Negotiable | 18-25 | H.Q |

L.G.MOTORS (H.Q) ,KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL WEST, NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING.
HL-B/5644/3-31Oct. Pleased Contact: 8787727402


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com